এডিটোরিয়েল

ই সি আই গী এক্সন ঙাইহরি

থা অনীগা নুমিৎ মঙানি শুরবা মণিপুরগী নেস্নেল হায়ৱেশিংদা য়ু এন সি না কৌরকপা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসি ঙসি ফাওবা মওং অমত্তদা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা নৎত্রগা করিগুম্বা শক্তি অমত্তনা কোমথোকহনবা ঙমদ্রি। মসিসু য়ু এন সি গী অচৌবা মায়-পাকপা অমনি হায়না লৌবা তাই। অদুবু মণিপুর ষ্টেটকী মীয়াম অসিনা ঙসি থেংনরিবা ব্লোকেদকী চৈথেং অসিদি সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা করিগুম্বা মওং অমত্তদা খঙদে হায়না লৌবা তাবনি। নাকল অমদনা নেস্নেল হায়ৱেশিং অসি ঙাক-শেনবগী থবক অসি য়াম্না মমুৎ শেংনা দায়ত্ব লৌগদবসি সেন্তরদা লৈরিবা রোড ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজকী মিনিষ্ট্রি অসিনি হায়রি। খঙ-হৈরবা আইনগী মীওই কয়ানা পীরিবা মতসু নেস্নেল হায়ৱেশিং অসি ঙাক শেনবগী থবক অসিদি ষ্টেটকী মথৌ নত্তে হায়বসিনি। অশেংবগীসু নেস্নেল হায়ৱেশিংনা ফাউদুনা লাক্লিবা অসি ষ্টেট কয়া অমনি। মণিপুরগী পোৎলম পুরকপা ট্রান্সপোর্টরশিংগী গারী পূম্নমক লাল্লকপা ষ্টেটশিংগী পীফম থোকপা এক্সাইজ অমদি কষ্টম অমদি রোড টেক্সশিং অদু থিরগা অপনবা অমত্তা য়াওদনা লাকখিবা ঙাক্তনি। অদুবু খ্বাইদগী হেন্না মরৌ থাংলিবসি নাগালেন্দ ষ্টেট লাল্লকপা অমদি মণিপুরগী মনুংদা লৈবা হায়ৱেশিংগী শরুকশিং অসিনি হায়বা তাই। মসিদা লম্বী থিংজিন্দুনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ষ্টেটসিগী মনুংদা পুশিল্লকপা য়াহন্দবা অসিদা খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা নংলিবসি ষ্টেটসিগী মনুংদা লৈবা চীং অমসুং তমগী মীচমশিং অদুনি হায়বসি খঙবা তাই। মসিগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা করিগুম্বা ফ্রি এন্দ ফেয়ার ওইবা মীখল অমা পাঙথোকসি হায়বা তারগদি মোডেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌবদগী সরকারগী ওফিসশিংদা থল্লিবা অথিংবা অসিগুম ব্লোকেদ তৌরিবশিংগী মথক্তা অথিংবা থম্বা তাবনি। ব্লোকেদ অসুম তৌহল্লগা পোলিটিকেল এডভান্টেজ লৌনবা হোৎনবসু অচুম্বা থৌশিল অমা ওইরোই।

মায়কৈ অসিদা ষ্টেট অসিগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারনা অকনবা মীৎয়েং অমা চঙবগা লোয়ননা অকক্লবা থৌশিল অমগী মখাদা ব্লোকেদ অসি লৌথোকখিনবা হোৎনবা তাবনি। করিগুম্বা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসিনা অদুম্মক মখা চখদুনা লৈবা তারগদি ইলেক্সনগী প্রোসেস কয়া পায়খৎপদা অদুম্মক অথিংবা লৈগনি অমদি মদুনা মরম ওইরগা ষ্টেটসিগী সেদ্যুল তৌরিবা মীখলগী মতম অসিদা চপ চানা মায়-পাকপা মীখল অমা পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈতে। সেন্তরদা চৎনরিবা এক্টশিং অসি ষ্টেট অসিদসু অদুম্মক চৎনবা অমা ওইবনা ষ্টেটসিগী লৈরিবা কোর্টশিংনা য়ু এন সি গী ব্লোকেদ মনুংদা মীওই কয়াদা অৱাবা চৈথেং পীখিবা, ট্রক ড্রাইভরশিং অমদি গারীগী মীওই কয়াদা তাথি-তাওইনা তৌখিবা, মাল পুবা গারীশিং মৈ থাখিবা কয়া অদুগী মরাল লৈ হায়দুনা য়ু এন সি গী মরুওইবা লূচিংবা অনী ফাদুনা হৌজিক জুদিসিয়েল কষ্টিদিদা লৈরি। মখোয়বু ৱায়েল চখরিবা কোর্টশিংদগী অমুক মখা তানা তোঙান-তোঙানবা নেস্নেল হায়ৱেশিংদা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা মখোয়বু অমুক হন্না ফাজিন্দুনা মখা তাবা রিমান্দশিং লৌদুনা লৈরিবনি। অদুগুম্বা আইননা য়াদবা মথৌ তৌবগীদমক ফাদুনা ৱায়েল্লিবা মীওইশিংনা লূচিংবা রেজিষ্টর তৌদবা য়ু এন সি হায়রিবা লূপ অসিমক ইলেক্সন কমিসনগী মখাদা করম্বা লূপ অমনি হায়না লৌগদৌরিবনো অমসুং করিগীদমক লূপ অদুগী কম্মিশনন আইননা য়াদবা লূপ অমনি হায়না এক্সন লৌরোইদৌরিবনো হায়বসি মীয়াম্না হংনরি অমসুং ই সি আই না করম্বা এক্সন মতাং অসিদা লৌখৎলকপগে হায়বদু য়েংলিবনি হায়বসি খঙনা থবক তৌবা ফৈ।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

খেংনবা খঙবদি য়ারবনি

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

এদিটরগী অয়াবা লৌরগা ফোংদোকচগে খন্দুনা ঐগী ওইবা ৱাফম খরদি থমজরি। ৱাফম হায়ববু নাগাশিংগী ওইবা তোপ-তোপ্পা মশক থোকপা লমদম অমগীদমক মতম কুইরবগী মমাংদগী বৃটিশ লৈঙাক অমদি কাইনথংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পুকচেল শেংজরবা নাগাশিংবু হং-লাইগুম মতম মতমগী ওইবা ৱাহৈ নৎত্রগা থৌদোক্তা য়ুম্ফম ওইহন্দুনা মখোয়গী অনীংবা নৎত্রগা অপাম্বদা য়াম্না তুক্কৎচবা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি শীজিন্নদুনা, অমুক হরাওহন্বা, অমুক জ্ঞান মাঙবা পোলিসি শীজিন্নদুনা শাংলবা নাগাগী ওইবা চহী কয়া অমা করিনো খংদনা ঙসি ফাওবা লেল্লক্লি। মসিদা নাগা মীয়াম্না ঙসি ফাওবা খংদবগুম লৈরিবসিমক মখোয়গী ওইনা য়াম্না লাইবক থীরবনি। চফু কায়রগা ক্লাক্লা হরাওবদি প্রমানমক নৎত্রবসু তশেংনা অচুম্বা ৱাফম্নি। ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শীজিন্নরিবা রাজনিতিগী পোলিসিদি অৱাং নোংপোক লমদমগী প্রজা অমত্তনসু য়াদ্রবনি হায়বসি নাগা প্রজাশিংনা মাংজৌননা খংলমদবসিদি তশেংনা য়াম্না শাথীবা অশোয়বনি।

ইন্দিয়াগী ওইবা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসিদা নাগাশিংনা নাগাতবু নুংশিরগা অতোপ্পা ফুরুপশিং নাথৈদুনা নম্ফুহাপুদা কিহন্দুনা নৎত্রগা খুৎলায় ফাওবা শীজিন্নদুনা ইচিন ইনাও ওইরিবা লমদমসিগী ওইবা ফুরুপ কয়াবু অৱা চৈথেং পীখিবসিদি মতমদুদগী নাগাশিংগী অশোয়বা পোলিসিনি হায়বসি নাগা লূচিংবশিংনা খংখিদ্রে। খঙদবা হায়বসিদি য়াম্না খুদোং থিনিংঙাই ওইবনা ঙসিদি নাগাগী ওইবা মংলান মচেৎ কয়া থোক্লা কাইথরক্লগদ্রা হায়বসিদি থাজনিংঙাইগী মশকলোমদা চংশিল্লক্লি অমদি নাগাশিংবু কাইনথংদা তোখাই তাহন্বগী লম্বী নকশিল্লক্লি।

মতম কয়া বৃটিশ লৈঙাক্না নাগাশিংবু থেল্লম্লগা কাইনথংদা বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্লমদাইদা নাগাশিংবু নখোয়না থোকপা তৌহৌরো হায়না থম্বীরম্মী হায়বসি নাগাগী ইতিহাসতা য়াওরি। ফিজোনচিংবা নাগাগী ওইবা অখঙ-অহৈ লূচিংবশিংবু হৈনা নাথৈরম্লগা ঙসিদি বৃটিশ সরকার নাগাগী মংলানবু ইন্দিয়া লৈঙাক্তা থংজিল্লম্লে হায়বসি নাগা লূচিংবশিংনা খরদং মাংজৌননা খঙলম্লবদি ঙসিগী নাগাগী কৈবু কৈওইবগী ফিভম অসি ওইরম্লোই হায়জনিংই।

অরোইবদা হায়জনিংবদি অৱাং নোংপোক্কী ফুরুপ খুদিংবু নুংশিবা ঙম্বা থম্মোয় চেন্বীদ্রগদি য়াম্না চাউবা মংলান মঙবীরুনু। ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু অদুক হাক্লা ইনশিনবা য়াওদ্রবসু নাগাফুরুপ্পগী ওইবা ৱাখল্লোন হায়বদুদি অতোপ্পা ষ্টেটকী ফুরুপশিংদা শীঙনবা ওইনা থোক্কনি।

অদোমগী
হিদেন লাইশ্রম
ইম্ফাল

নীংতম্বা লল্লোল্লিবশিংগী খায়াত্তা মণিপুরঃ

নতিন শীৎফম ওইখিবা মণিপুর ইমাগী তম্পাকখক্তদা পুন্সিগী থুপ্নফম ফংজগদবনি

নীংতম্বদগী হেন্না মমল য়াম্বা পোৎশক অমত্তা মালেমসিদা লৈতে হায়বগুম্না, নীংতম্ববু তশেংনা শেল্লেপ ওইরগা লল্লোনবা হায়বসিগী চৈথেং অমদি শাফু অসি ওন্থোক্লা কল্লি। চুম্নগী লল্লোনবদি পোৎ লৈরিবা মীশক্কা পোৎ পুথোক্তুনা লূকমায় ফল্লিবা মীশক অদুগা অপান্বা খৈন্নে, থবক থৌওং খৈন্নে। অদুবু নীংতম্বা তাল্লিবা ঈহৌরোয় অদুনা নীংতম্বা তাল্লরোই, মদুগী মহুৎ পীয়ু হায়দুনা নীংতম্বগী মমলগা চান্ননা মন্তিক্লবা তারক্লবদি মমল অদুক্কী মতীক ৱাংঙি মদুদি পান্দম অদু মীয়াম য়াওদনা লৈঙাক মপুখক্তংনা পীবা ঙম্লক্তে অমসুং মদু ফংনবা হোৎনবদা মখোয় অনীগী মরক্তা খেন্নবা লৈতে। মখোয়না হিহোন মান্ননা চৎমিন্নে হায়বসি নীংতম্ববু মন্তিক্লদুনা লল্লোল্লিবা এন এস সি এন (আই এম) গী মশা লূপশিং ওইরিবা য়ু এন সি না কৌরিবা বন্দ-ব্লোকেদকী শাথীবা অসিদগী খঙবা ঙম্লি। করিগুম্বা এন এস সি এন (আই এম) না নীংতম্ববু লল্লোল্লমদ্রবদি য়ু এন সি গী বন্দ-ব্লোকেদ কী মপাঙ্গল অসুক্কী মতীক কল্লমলোই। নাগা সোভরেন নেসন ষ্টেটবু য়োম্থোকখিবদা নত্তনা লল্লোনপোৎ ওইনা লূকমায়দা হাপ্লগা ইমৈ নত্ত তৌরানি হায়দুনা লল্লোল্লিবা, য়ু এন সি না চখরিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ কী শাফু অমসুং চৈথেং অসিনা মণিপুরগী ওইনা অসুক্কী মতীক শাথীরবা ফীভম অমদা তপ্ন-তপ্না পুশিল্লক্লে। নুতিগী চঙদবা য়াদ্রবা অমসুং অতৈ পোৎলমশিংগী মমল নোংদোল পক্লা ৱাংখৎখিবদা নত্তনা ফংনদবা কয়া লৈরক্লে। ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী (নেস্নেল হায়ৱে - ৩৯) পাওরগা পুশিল্লকপা পোৎলমশিংদা নত্তনা ইম্ফাল-মোরে লম্বী, ইম্ফাল- জিরিবাম -শিলচর লম্বীদগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিং ফাওবা মমলনা নোংদোল খেৎনা ৱাংখৎলক্লে, নৎত্রগা ফংদবা পোৎলম কয়া লৈরক্লে। থাউ, গ্যাস নচিংবা ফংদবদগী অতৈ পোৎলমশিংগী মমল তাঙখৎপা নৎত্রগা ফংদবগী অৱাবা খমথেংনা মায়োক্লবা হৌরে। থাউ, গ্যাস ফংদবগী অৱাবদি লাইবু লায়রি। লমদমসিগী লৈহাওদা থোকচবা মনা মশীং অমসুং অতৈ পোখোকশিংগী মমল ফাওবা ব্লোকেদগী চৈথেং নংলক্লে। মসিনা তাকপদি, ব্লোকেদকী মরুমদা খুদোংচাবা লৌবা মীওইশিংনা খুৎপু শেন্নগা মশা-মশাগী ওইজবা থিরি। অসিগুম্বা খোমজীন তাশিনবা মওংদা খুৎপু শেমদুনা চখরকপা থৌওং অসিনা শাথীরবা মহয় পীবা ঙম্মী, মসিমক্তা মীয়াম্বু ৱাহনবগী চাং ৱাংহনবা ঙম্মী হায়বসিনি।

লূরিবদি, অসিগুম্বা হা-কার লাউনা ৱারবা মতমসিদা লৈঙাক্কী ওইবা হৈশিংনা শীল্লাঙবা (মেনেজমেন্ট) অদু উবা ফংদবা অসিনা মীয়ামগী অৱা-চৈথেংগী চাং য়াম্না হেনগৎহল্লি। অশেংবা শক্লোন্দি, থাউ অমদি অতৈ পোৎলমশিং মপান থোক্লা ফংনদ্রবসু, মনীংথোং (ব্লেক) দা ফোংনা য়োল্লিবা য়োন্নরিবা অসিনা ময়েক শেংলবা খুদম্নি। মনীংথোংদা য়োনবা হায়বসি লল্লোনবশিংগা লৈঙাক্কা শম্নরি, মখোয়গী ঈঙ্গিত্তা মখোয়না চৎলি, শেলনা ৱা ঙাংলকপদা লৈঙাকপশিংনা তুমিন্না লৈশিল্লি হায়বদু উখোকপনি।

অসিগুম্বা ফীভমদা লৈরক্লবা লৈঙাক-খুন্নাই অসিনা বন্দ-ব্লোকেদ তোয়না লাকপদা অকায়বা লৈতে। মদুগী মহুত্তা মখায়না হেন্না পাম্বা তাবনি। লৈঙাকপশিং লল্লোনবশিং শম্নে অমসুং মখোয়না বন্দ-ব্লোকেদ লাকপদা নুংঙাইতবা লৈতে, অহোইনদুম পাম্বা হেল্লি হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদমশিং লৈরি। মদুদি মখোয়না বন্দ-ব্লোকেদ পামদ্রবদি করিগীদমক্তা নুতিগী চঙদ-য়াদ্রবা পোৎলমশিং মমল তাঙনা য়োল্লিবনো অমসুং মীৎমাঙমক্তদা য়োনবা য়াহল্লিবনো হায়বসিনি। পোৎ তাঙনা য়োনবা হায়বসি মীচম মীয়াম্না লৈদুনা শীজিন্নবা য়াবগী চাং (রেট) নত্তে, চৎন-পথাপ, ৱায়েল্লোনগী ৱাংমদা লৈবা থবক থৌওংনি হায়বসিনি। মসিনবু পোৎকী মমল তাঙনা য়োনবা হায়বসি মীচম মীয়ামগী ঈ থকপনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা হায়নরবিনি। অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জাসিদা লৈঙাক অসিনা লেমথা থাদুনা লৈথোকপা হায়বসি মীচম মীয়ামগী ঈ থকপা লল্লোনবশিংগী মখুত্তা মীয়াম্বু শিন্নবনি। মসিগী অয়াবা পীথোকপগী অমসুং চৎ-নৈবগী থবক চখহনবগী মরালদি মদুনা অমুক্কা হেন্না চাউরি, মদুগী মহৈ ফংদনা তোক্লোইদবা মওংগী ওইনা চাউরিবনি।

হৌজিক্তি, য়ু এন সি গী ব্লোকেদ অসি চৈথেংনা পোৎলমশিং তাঙবগী অৱাবা অসি কৈসু নৎত্রে। মসিনা তাঙহন্দুনা মীয়াম পুম্বা শিংনহনবদি ঙম্লোইদৌরে, অৱাবা অসি খাঙজীনবা য়াবগী ৱাফম ওইনা খন্নরক্লে। লূরিবদি, বন্দ-ব্লোকেদ অসিনা খুন্নাই, শেম্মীৎলোন, লৈশেম্লোন হ্যুমেন রিশোর্চ অমসুং অপুনবা শক্তমদা শাথীনা চৈথেং পীরক্লে। বন্দ-ব্লোকেদনা মরম ওইদুনা থবক শুফম শিনশঙশিং, লৌফমশিং, খুৎশা হৈবগী ইনষ্টিট্যুসনশিং, মহৈ তম্ফমশিং থোং লোন্নখিবনা শেম্মিৎলোন্দা অচৌবা চৈথেং পীবদা নত্তনা মীওইবগী মতীক ময়া, হ্যুমেন রিশোর্চ চাওখৎহনবগী লম্বীদা চাউনা খুরৌ থাংবা থোকহল্লি। শক্লোন অসিনা মতীক চাবা মীরোল পুথোকপা ঙমদবগী (জেনরেসন গেপ থোকহনবগী) লাইবক অমা মায়োক্লরগনি।

অদুবু অসুক্কী মতীক মাঙতাকপগী লাইবক অসি মৈতৈ অমসুং কুকিশিংখক্তংনা ফংগদবা নত্তে, লমদমসিদা হিংমিন্নরিবা নাগানি হায়বশিং য়াওনা মীপুম খুদিংনা ফংমিন্নগদৌরিবা লাইবক্নি। চাওখৎপা য়াইফবা পাল্লিবা লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা ফুরুপচাশিংগী মহৈ মশীল তম্বদা, শেন্দান-থুমদান্দা , হৈথোই শিংথোইবগী লমজেল চেনবদা অমসুং পুন্না নুংশি চান্না হিংমিন্নবা ঙম্বগী লম্বীদা মাঙতাকপা তোকহল্লক্কনি। লাইবক অসি চাওখৎপা য়াইফবা তানবা মীপুম খুদিংমক্না য়ানীংগদবা নত্তে। অসিগুম্বা অৱাবা অসিবু ফুরুপচা কনাগুম্বা অমত্তনা য়ানীংগদবা নত্তে। লোয়ননা মসিগী ফংফম থোকপা মহৈ ফংদনা তোক্লোয়।

অৱাবদি, অসিগুম্বা তমথীরবা থৌওং অসি মশোং লাকথনবা ষ্টেট লৈঙাক্লা হোৎনফম থোকপা হোৎনদ্রিবা অসিনি। নীংতম্ববু লল্লোনবা ঙম্বা বন্দ-ব্লোকেদ ওইবনা, মসিগী মশোং লাকথবা ঙম্বা য়াই, ঙমদবসু য়াই। অদুবু লৈঙাক মপু অমা ওইবগী মতীক হোৎনফম থোকপদু হোৎনদ্রিবা অসিমক লৈঙাক্কী অচৌবা অশোয়বনি। মসিমক্তনা মখোয়গী থবক থৌওংবু শৌগৎপা ওইনা থোক্লিবনি অমসুং বন্দ-ব্লোকেদকী লম্বী ফাৎলিবনি। পনবা য়াই, ইবোবী লৈঙাক্লা পানখিবা হৌখিবা চহী ১৫ গী মনুং অসিদা তমথীরবা বন্দ-ব্লোকেদকী মফম পীখিবনি, মখোয়গী মফম চাউরকখিবনি। করিগুম্বা ইবোবীগী মহুত্তা মতীকচাবা লূচিংবা অমনা লৈঙাকপা ওইরম্লবদি, অসিগুম্বা বন্দ-ব্লোকেদকী মশোং অসি লাকথবা ঙম্লমগনি। অসুক্কী মতীক তমথীবা মওংগী বন্দ-ব্লোকেদ ওইরম্লোই হায়বা য়াই।

হাওবা

অমরোমদসু, ময়োল লৈঙাক্লা অসিগুম্বা লোনা য়াদবা বন্দ- ব্লোকেদশিং অসি মণিপুরদদি অথিংবা পীবা পামদে হায়বসি হৌখিবা অসিগুম্বা থৌদোকশিংনা তাকই। অসিগুম্বা লোনা য়াদবা মওংদা তমথীনা চখরক্লিবা বন্দ-ব্লোকেদকী মায়োক্তা ময়োল লৈঙাক্লা তৌফম থোকপা অমা ওইনা চপ চানা থবক পায়খৎখিদ্রি। তশেংনা, ময়োল লৈঙাক্লা মণিপুরগুম্বা মরোমদোম লেপচবগী ঈহৌ চখরিবা অমসুং খুৎলায় পায়বা লানহৌগী মুক্লবা লৈরিবা লমদমশিংদা অসিগুম্বা ফুরুপ মশেল মুক্লবদা য়ুম্ফম ওইবা ৱাথোকশিং লেপ্পা লৈতনা থোকহনবা পাম্মী। বৃটিশ লোইলৈঙাক্কী লীক্লমচৎ ওইবা ‘মশেল খাইদোক্লৌ অমসুং লৈঙাকউ’ হায়বা লৈঙাক্লোন অসি লোই মপুগী লৈঙাক ৱায়োল্লোন মখা তানা পুথরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অরোনবা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরক্লি অমসুং মদুমক ইরমদম মণিপুরদা শীজিন্নরি। মসিদগী ঐখোয়না চেকশীনগদবদি, মীগী থৌজাল ঙাইবা তৌদনা ইশানা ইশাবু লৈঙাকচবা লীক্লমচৎ অদুনা ঐখোয়গী অমত্তা ঙায়রবা খুৎলায়নি। মণিপুরী নেস্নেল এজেন্দাদা য়ুম্ফম ওইরগা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তমগী ৱাফমদগী হৌরগা লৈবাক্কী অরুবা ৱাফমশিং পুম্বা ৱাখৈনবা হোৎনগদবনি। খোঙথাং অসিবু পরম কায়হন্দনা চৎলিবা মখৈ মণিপুরী নেস্নেল এজেন্দাগী পান্দম লেপতনা তানবগী মায়কৈদা চুম্না চৎলি অমসুং নোংমা নৎত্রগা নোংমদি পান্দম অসি শোয়দনা ফঙ্গনি।

লোইশিল্লকপদা, নীংতম্ববু মন্তিক্লদুনা লল্লোল্লিবা এন এস সি এন (আই এম) গী খোঙথাং অসি নম্ফু হাফুগী মওংদা চৎপা (দিষ্টেটোরিয়েল) ওইবা মরম্না দিমোক্রেসিগী খোঙথাং অমত্তনা মায়ওল চুম্বা ঙমদনা লাক্লি। অকনবনা অচুম্বা শক্তুনা লাকখিবা মরম্না মখোয়গী (লূচিংবশিংগী) মখা তাবা তুংইনবশিং অমসুং ইচম চমজবা মীয়ামগী মীৎনা ফাওদোক্তুনা য়েংবা ঙমজদে অমসুং হন্না য়েংখৎপগী ৱাফম পুখৎচবা ঙমজদে। মসিমক্লা নীংতম্ববু মন্তিক্লদুনা লল্লোল্লিবা এন এস সি এন (আই এম) গী মঙফাওনররোইদবা মঙলানশিং অসিদা নম্ফুন্দা থাজহন্দুনা নাগা নত্তবশিংবু য়েক্লবা ওইনা লৌহন্নবা হোৎনরি অমসুং লোনা য়াদবা থবকশিং তমথীনা চখবা ঙল্লি। দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা শেমদবগী ৱাফমগীদমক্তা নন-নাগাশিংগী মায়োক্তা লান্দাবা ঙল্লি। আরবকী কারৱালাগী লক্ষ্মাঙদা পুমকোয় কোয়শিন্দুনা থল্লবা হুশেন্না ঈশিং মরীক অমত্তা ফাওবা থকপা ফংদনা শিহনখিবগী তমথীরবা মীহাৎ অদু নীংতম্ববু লল্লোল্লিবা এন এস সি এন (আই এম) গী খৌবুনাই য়ু এন সি না, লৈশেম্লোন শেম্মীৎলোনগী খুৎলায় পায়দুনা ঙসি মহাক্কী মীয়ামগী মায়োক্তা চখরি। য়ু এন সি না খঙ্গদবদি, নাগালেন্দগী নাগাশিংনা মণিপুরগী নন-নাগাশিংবু য়েক্লবা ওইনা লৌবগী থৌওং চখবা ঙল্লবসু, য়ু এন সি গী মরুপ মিলন অমসুং গাইদোন কামৈনেদি অদুগুম্বা থম্মোয় শেংনা লৌবা, চখবা মতম চুপ্পগী ঙম্লোই অমসুং নাগাশিংগী নীংতম্ববু লল্লোল্লুবগী চৈরাক চৈফম থিরকপদা পোক্লফম ইমা লৈবাক্লি হায়রিবা নাগালেন্দা পুক্লিং লূম্বা থুপ্নফম ফংদ্রবদা, নতিন শীৎফম ওইখিবা মণিপুর ইমাগী লৈমায়খক্তংদা থুপ্নফম ফংজগদবনি হায়বসি কাউফদে।

চান্নচিন্নবগী লম্বীদা কবুই সলাং মাইবা

ডিঃ এল কবুই

“চান্না-চিন্ননা হিংমিন্নবা” হায়বা ৱাহৈ অসি অসুক্কী মতিক ফজখ্রে। অদুবু, হায়রিবা ৱাহৈ অসিগী মতিক মগুণ ফজখ্রবা পোৎ অদু মপোপ অমত্তা কাইদনা থবক্তা ওন্থোকপা হায়বদুনি খ্বাইদগী লুরিবদি। মী অমগা মী অমা, খুল অমগা খুল অমা, লৈবাক অমগা লৈবাক অমা, জাতি অমগা জাতি অমা অমসুং অচৌবা অপীকপা খাইদনা চান্না-চিন্ননা নুংঙাই য়াইফনা হিংমিন্নসি হায়রবদি ঐখোয় পূম্নমক্লা করি তৌবা তাই হায়বা ৱাহং অমা থোরকই। হায়রিবা ফজখরবা মপুং-মরৈ ফারবা অর্থ কয়ানা থল্লবা, পুক্লিংগী ইথক-ইপোম মরক্তগী থোরকপা ৱাহংশিং অসিগী মরক্তা কবুইগী পাউরৌ অমখক থেংনজে মসি মীয়াম মাংদা লৌখৎচগে। মদুদিঃ “খৎ খৎ লুংলৎ থাইনা লুংঙো” অসি হায়বদি “অমনা অমগী পুক্লিং -ৱা খংনা হিংমিন্নৌ” হায়বনি। মদুদিঃ ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা পাউরৌ অসিগী ৱাহম্থোকসি অসুক্কী মতিক পাক চাওখ্রে। শম্না হায়রবদা, মী অদুগী পুকচেল খংনা লোইনবা, অৱাবা তারবা মতমদা শরুক য়ামীন্নবা, খুল অমগী চৎনবী খুল অমনা ব্যবহার তৌবা, জাতি অমবু জাতি অমনা ইকাই খুম্নবা, ধর্ম্ম অমবু ধর্ম্ম অমনা ইকাই খুম্নবা, লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা মরুপ মপাং ওইবগী অফবা মরি থম্বা অমসুং অপীকপা অখুবা অরানবা পুক্লিং থাদোকপা অসিনচিংবা অসি ঙাক্লা চৎলু হায়বনি। হায়রিবা থবকশিং অসি কবুই সলাং মাইবদা য়াওবরা হায়বসিনি ঐখোয়না নৈনবা য়ারিবসে।

কবুই সলাং মাইবাঃ

মোইরাং কংলৈরোলগী তাঙ্কক অমদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা কবুই চীংশাং লাকপা সলাং নিংথৌ অসিবু মীয়াম্না অমদি মোইরাং কংলৈরোলনা কবুই সলাং মাইবা হায়রগা হেন্না খঙনরি। অশেংবদি মোইরাংগা কবুই সলাং মাইবগা খঙনবদি কবুই সলাং নিংথৌ ওইনা খঙনখিবনি। অদুবু মহাক্কী অঙকপা ফংনা খঙহৈরবা লাইৱা-তিনৱা অমদি অনা-লাইয়েংদা হৈ-শিংবা মাইবগী থৌদাং অদু উবদগী মহাকপু কবুই সলাং মাইবা হায়না হেন্না শকখঙনখিবনি।

মাইবা অমা ওইবগী মতিক মগুণঃ

কবুই জাতিনা মাইববু মুঃ হায়না খঙনৈ। মুঃ (মাইবা) হায়বসিদি লাইগী শক্তিঃ পুরবা, পোকপদগী য়াওরক্লবা মীতনা ওইগনি। অদুবু, কনাগুম্বা মাইবা ওইনিংবা মীনা ওঝা গুরু খন্দুনা মাইবা ওইখিবদি য়াই। মখোয়শিং অদুদি মহাক্লা তমজরুবগী তমজমন, হোৎনজমন মহৈ ফংজবগী ৱানি। অশেংবা মাইবগী মতিক-মগুণ অদুদি চপ -চানা ফংবা ঙমদে। মাইবগী মফমদা অচান-মীরাই লৈতে, য়েক্লবা লৈতে, জাৎ-বীজাৎ খাইদে, ধর্ম্মগী খেৎনবা লৈতে।

কবুই সলাং মাইবা অশেংবা মাইবনি, লাইগী শক্তি পুরবা মীনি। মহাক্তি মাগী কগাই (যাদোং) কৈ অমোম তোংদুনা লাই পূম্নমক্কী নিংথৌ লাইনিংথৌগা হকথেংননা দাইরেক্ট উনবা ঙম্বা মীনি হায়না কবুইশিংনা ৱারীনৈ। কবুই সলাং মাইবগী মফমদা য়েক্লবা লৈতে, অচান-মীরাই লৈতে। মাগী মচামক্লি খঞ্জবা খন্বগী মাংন-তাক্লবা থবক্তা তৌরিবা নোংবানবু পাম্বা কৈনা শোকপদা কবুই সলাং মাইবনা লাইয়েংখিবগী ৱাফম মোইরাং কংলৈরোলদা ময়েক শেংনা পীরি। মসিমক্লা, চপ চাবা প্রমান্নি।

কবুই সলাং মাইবগী শিনফমখক্তা নত্তে। লৈঙাক কাংলোন্দা য়াম্না হৈ-শিংবা, হিরম পূম্নমক্তা চপ চানা খঙবা অশেংবা নিংথৌ অমনি। মহাক্কী অশেংবদি, কবুই চীংশাং লাকপা সলাং নিংথৌ কৌই। কবুই জাতিগী নিংথৌবু লাকপা হায়নসু খঙনৈ। মহাক্কী মপানা চীংথং ঙম্বা কবুই লান্থাবা কৌই। মমানা লোক্তাক লৈমা কৌই।

কবুই জাতিদা মুঃ (মাইবা) ওইবগী গুণ অমদি নিংথৌ ওইবগী গুণ অনীসি য়াম্না খেৎনবা লৈ। মাইবদি লাইগী শক্তি পুরবা মীতনা ওইগনি। অদুগা নিংথৌদি লাইগী শক্তি পুদ্রবসু ওইনৈ। অদুম্নদি ওইরগা কবুইগী খুনবু অমদি খুল্লাকপা অনীসিদি লাই পূম্নমক্কী নিংথৌ লাইনিংথৌনা খনবনি হায়না কবুইনা থাজনৈ। মসিগী চপ -চাবা খুদম হায়ববু কবুই জাতিগী খুন্দা অহানবগী খুন্দারোলদা শীজিন্নরিবা লাইথৌ অমদি লাইরোলদা খুনবু, খুল্লাকপা খনবগী খেন য়েংবা অমা য়াওরি অসিনা ময়েক শেংনা পীরি। কবুই সলাং মাইবদি মাইবসুনি নিংথৌসুনি। মহাকপু কবুই খুনচেপ ৯ ঙাকপা চীংশাং লাকপা সলাং নিংথৌ হায়নসু খঙনৈ। সলাংথেন্দা খুনচেপ ৯ গী খুন্দিনফম লৈ, খুনচেপ ৯ গী নিংথৌশিংনা ফম্নম্বা নুং হৌজিক ফাওবা লৈরি।

চান্ন-চিন্নবগী লমদাঃ

মণিপুরদা হৌজিক্কী মতম অসিদা চান্ন-চিন্নবা অপুনবগী শক্তম ইন্টিগ্রিতিগী ৱাফম অসি অচৌবা ইশু অমা ওইরি। মতম অসিদা কবুই সলাং মাইবা অমসুং পুরেম্বা মতাও শান্নখিবগী ৱাফম নীংশিংবা য়াই। কবুই সলাং মাইবা অচুম্বা মশক খঙই, অরানবা য়াদে, অরানবা চিঞ্জাক চাদে অমসুং জিব হিংশা য়াদে। লান্না চৎখিবা য়াবা থৌদোক অমদা অচুম্বা পুরক্লবগীদমক্তা কবুই চীংমীশিংনা মোইরাংদা লান্দাননবা শেম শাবা পুম্লোই লোইরবা মতমদা মোইরাং নিংথৌনা পাউ অদু তারদুনা পুরেম্ববু কৌখৎতুনা কবুই চীংশাংদা খুৎলায় পায়বা তম্বা নুপা চামা চামা পুদুনা লান থেংননবা থাখি। মতম অদুগী ওইনা অচৌবা লানফম ওইরমগদবা অদু লান শোক্লদনা পুরেম্বগা মতাও শানদুনা অচুম্বা লম্বীদু পুথোক্তু না মৈ হৌনা চাক্লিবা কবুই চীংমীশিংগী পুক্লিং ইংহন্দুনা লৈবাক শান্তি পুরকখি। পুরেম্বগী মতিক মগুণ মপাঙ্গল উৎপদগী কবুইশিংনা কিদুনা লান হন্দোকপনি হায়না লাইরিক খরদা হায়জরবসু, পুরেম্বগী মতিক মগুণ মপাঙ্গল মথৌনাদগী কবুই সলাং মাইবনা হন্থবা নত্তে। মসি কবুই সলাং মাইবগী অচৌবা কৎথোকপনা ওইখিবনি। মাগী অচৌবা য়াম্না ৱাংবা রাজনিতিনি হায়বা য়াই। নৎলমদ্রবদি মতম অদুগী অচৌবা মীশি মীনা থোকপা লানগী অৱাবা মায়োক্লবতা নত্তনা মীয়াম অঙকপা ফংনা ৱাবা ইতিহাসকী তাঙ্কক অমা ওইরম্বসু য়াই। কবুই সলাং মাইবগী পান্দমদি অঙম তান্নবসু নত্তে, য়েক্লববু মাইথিবা পীবসু নত্তে, য়েক্লববু য়াহনবদুনি। সেবা তৌবনা মাগী ধর্ম্মনি।

ধর্ম্ম কাইদবাঃ

ধর্ম্ম হায়বা ৱাহৈসি অতোপ্পা ৱাহৈনা, অতোপ্পা লোন অমদা হন্দোকপদা চপ-চাবা অর্থ ৱাহম্থোক অদু ফংবা ঙমদে। ইংরেজিদা “ রিলিজন” হায়বা ৱাহৈ অসিনা মহুৎ শিনবদা “ধর্ম্ম” গী চপ-চাবা মতিক -মগুণ মহাও অদুফংবা ঙমদে। অদুগা “ধর্ম্ম” বু লাইনিং হায়না শীজিন্নবা অসিসু চপ-চাবা ৱাহম্থোক অদুদি ওইদে। “ধর্ম্ম” হায়বা ৱাহৈ অসিগী মতিক মগুণ অমদি মদুগী নুংদা চেল্লিবা ঈচেল অদুদি অসুক্কী মতিক পাক চাউখ্রে। অদুবু শম্না হায়রবদা “ পুন্সিগী অফবা লম্বীদা মচং ওইবা অশেংবা অচুম্বা মমল নাইদ্রবা মতিক-মগুণ কয়াগী তুংনফম ওইরবা “পোৎ” অদুনি।

ধর্ম্ম হায়বসিদা য়াওরিবা খুদম খরা থমজরি মদুদিঃ (১) অচুম্বা মশক খঙবদুনি, অরানবদু নত্তে। (২) জিববু নুংশিবদুনি, জিববু ওৎপদু নত্তে। (৩) অফবা কর্ম্ম অদুনি, ফত্তবা কর্ম্ম অদু নত্তে। (৪) মীগী মতেং পাংবদুনি, অতিথিগী সেবা তৌবদুনি। (৫) লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবদুনি, লৈবাক কাইনবা থবক তৌবদু নত্তে। (৬) মীগী মচাবু মচাদৌনা খনবদুনি, অচান-মীরায় নাইবদু নত্তে। (৭) মপাঙ্গল মথৌনানা মীগী লমজিং লমতাকপদুনি, মরল মথুম্না দান ঙম্বদুনি, মীগী মপোৎ মরল মৎপদু নত্তে।

কবুই সলাং মাইবনা তৌরিবা থবকশিংসি অতৈ পল্লুদ্রবসু মতাও পুরেম্বগী মচা খম্ববু মতাওগী মতিক মগুণ চপ-চানা চেন্ননবা থৌদাং লৌদুনা মচা শক্লা নাউকোনখিবা অসিমক মাগী ফজখ্রবা ধর্ম্মনি। অসিগুম্বা তমজনিংঙাই ওইরবা থবক অসি অনৌবা যুগকী মীরোলনা কাওফম থোক্তে।